# সি কে ভিনিথ ইষ্ট বেঙ্গলদা ট্রান্সফর তৌরবা য়ারি




ন্যু দিল্লি, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) ক্লব জমসেদপুর এফ সিদা লৈরিবা সিকে ভিনিথনা থা অসিগী ৩০ দা আই এস এলগী ক্লব অসিগী লৈন্নরিবা কন্ট্রেক্ট এক্সপিয়র ওইবগা লোয়ননা শান্নরোই অসিনা মহাক্কী তুংগী শান্নবগী ফ্যুচরগীদমক আই লীগকী টিম অমা ওইরিবা ইষ্ট বেঙ্গলগা ৱারি শান্নদুনা ট্রান্সফর তৌরবা য়ানা লৈরি হায়রি।

আই এস এলগী লেস ফুটবোল লাইফ হায়বা ষ্টাগ্রামগী খুৎথাং দা পাঙথোকপা ইপিসোদ অমদা ফুটবোলগী কমেন্টরি সাইজ দমাদুরাননা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অসিগী মতাংদা হঙখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হান্নগী কেরেলা ব্লাষ্টরগী ষ্ট্রাইক্কর অসিনা হায়, থা অসিগী অরোয়বা শরুক্তা ঐহাক্কী কন্ট্রেক্ট লোয়শিনলকপ্পা অতোপ্পা ক্লবশিংদা ৱারী শানৈ। ক্লবশিং অদুগী মনুংদা ইষ্ট বেঙ্গলসু য়াওরি।

টিম অসি লাক্কদৌরিবা মথংগী আই এস এল সিজনদা শরুক য়াবা য়ারি হায়নরি অমসুং ঐহাক্কী তুংগী শান্নবগী লম্বীগীদমক ক্লবশিং অসিগী ৱারী শান্নরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈখায় তাবা ঙমদবনা মতম খরা ঙায়খিবা তারি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি ইষ্ট বেঙ্গলগী রাইভেল মোহন বগাননা আই এস এলগী চেম্পিয়ন এ টি কেগা লাক্কদৌরিবা আই এস এল সিজনদগী পূন্সিখিবনা ইষ্ট বেঙ্গলনসু লীগ অসিদা শরুক য়ানবা হোৎনরকখিবনি অদুমকপু হৌজিকমক্কী ওইনা ক্লব অসিনা লীগ অসিদা শরুক য়াবা য়াদবগী মতাং দা ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

করিগুম্বা ইষ্ট বেঙ্গলনা আই এস এলনা শরুক য়ানবগী লম্বী ফঙলবদি ক্লব অসিনা শোয়দনমক্কী সি কে ভিনিথপু খূৎয়েক পীনদুনা মখোয়গী টিম স্কৱাদ মপাঙ্গল হেনগৎহনগনি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা ষ্ট্রাইক্কর অসি হৌখিবা আই এস এলগী সিজন ৩ দা চেন্নাই এফ সি, কেরেলা ব্লাষ্টর অমদি জমসেদপুরদা শান্নদুনা আই এস এলগী এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা ইন্দিয়ান শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

সি কে ভিনিথ শান্নবগী কেরিয়রদা অহানবা ওইবনা আই লীগকী টিম চিরাক য়ুনাইটেদতা ২০১১-১২ ফাওবা শান্নদুনা অপূনবা মেটচ ২১ শান্নখিবদা গোল ৮ চনখি। ২০১২ -১৪ ফাওবা প্রয়াক য়ুনাইটেদতা মেটচ ৩৭ শান্নখিবদা গোল ৯ চনখি। ২০১৪-১৭ ফাওবা বেঙ্গলুরু এফ সিদা মেটচ ৪৭ শান্নখিবদা গোল ১৪ চনখি। ২০১৫ অমসুং ২০১৬ তা কেরেলা ব্লাষ্টরদা লোনদা মেটচ ১৮ শান্নখিবদা গোল ৫ চনখি মসিগী মতুং ২০১৭-১৮ দা কন্ট্রেক্ট খূৎয়েক পীন্নদুনা অপূনবা মেটচ ২৪ শান্নখিবদা গোল ৬ চনখি। ২০১৮-১৯ দা চেন্নাইয়নদা অমুক লোনদা চৎতুনা মেটচ ৬ শান্নখিবদা গোল ১ চনখি ১ অদুগা মসিগী মতুং ২০১৯-২০ সিজনদা জমসেদপুর এফ সিদা মেটচ ১০ শান্নখিবদা গোল ১ চনখি।

ইন্দির্য়ান নেস্নেল টিমগী ওইনা ২০১৩ গী ফেব্রুৱারী ৬ তা পেলেষ্টানগী শান্নখিবা মেটচ অমদা অহানবা ওইনা নেস্নেল টিমদা শরুক য়াখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৭ শান্নখ্রে।

# ডাইনামো দ্রেসদেন স্কৱাদ নুমিৎ ১৪ কারিন্টিন তৌখিবনা হেন্দওভরগা শান্নগদবা মেটচ তোল্লকগনি



বার্লিন , মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

জর্ম্মনগী সোক্কর লীগতা অনীশুবা টায়র ওইরিবা বন্দসলিগা টুদা শান্নবা ডাইনামো দ্রেসদেন ক্লবকী স্কৱাদ পূম্বা হৌখিবা থাংজা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪ নি কারিন্টিন তৌখিবনা মথংগী চায়োলদা লেপ্তুনা লৈরম্বা ফুটবোল সিজন মখা চখদুনা অহানবা ওইনা ক্লব অসিনা হেন্দওভরগা শান্নগদবা মেটচ তোল্লকগনি। সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টেবলদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা ক্লব অসিনা খোঙথাং অসি মখোয়গী টিমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অনৌবা কেস অনী থেংনবদগী লৌখৎপা ওইরি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলগী গভর্ণমেন্টনা জর্ম্মন ফুটবোল লীগতা থা ২ লেপ্তুনা লৈরুরবা ফুটবোলগী সিজনশিং লাক্লিবা মেটচ ১৬ তগী মখা চখবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা ডাইনামো দ্রেসদেনগী স্পোর্টিং ডাইরেক্টর রালফ মিনগিনা হায়, হৌখিবা চায়োলশিংদা ক্লব অসিনা অঙম্বা থাক্তা পাসনেল অমসুং লোজিষ্টিক অনীমক্তা হেলঠ ওথোরিটিশিং ইম্পিলিমেন্ট তৌবা মেদিকেল অমসুং হার্য়জিনিকগী গাইদ লাইনশিং ঙাক্লা ইন্নবগীদমক হৌৎন্দুনা লাক্লি।

ক্লব অসিনা মরিন্নৈবা হেলঠ ওথোরিটি অমসুং জর্ম্মন ফুটবোল লীগকা পাউ ফাওনবা লেপ্প্রি লোয়ননা নুমিৎ ১৪ নি কোরিন্টিন তৌবা অসিনা ত্রেন্নিং চখবা য়ারারোই অমসুং নুমিৎশিং অসিগী মনুংদা শান্নগদবা মেটচশিং শরুক য়ারারোই হায়খি।

ডাইনামো দ্রেসদেনগী শান্নরোইশিং নৎতনা কোচিং অমসুং সুপভাইজর ষ্টাফ পূম্নমক কোরিন্টিন তৌবসিদা য়াওরি। য়ুরোপিয়ানগী মকোক থোংবা লীগ ৫ দা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু শন্দোকপা থিংনবা থম্লকখিবা লোকদাউননা হৌখিবা মার্চ থাদগী পাঙথোকপা য়াদনা লাকখিবা অদু বন্দসলিগানা য়ুরোপিয়ানগী মকোক থোংবা লীগ ৫ গী মনুংদা অহানবা ওইনা সিজন মখা চখগদবা লীগ ওইরি।

অদুমকপু মেটচশিং অসি মীয়াম অমত্তা য়াওহন্দনা ষ্টেদিয়মদা য়াম্লবদা টিম অনীমক্কী মথৌ তাবা মীওইশিংগা পূন্না মীওই ৩০০ দগী হেনবা য়াদ্রি। লীগ মখা চখনবগীদমক টিম খুদিংমক্না চায়োল অমগী ওইবা কোরিন্টিন ত্রেন্নিং কেম্পদা লৈগদৌরি।

হৌখিবা শাগোলশেন নুমিৎতা বন্দসলিগাগী ক্লব ৩৬ না অপূনবা শান্নরোই ১৭২৪ অহানবা ওইনা টেষ্টিং তৌখিবদা মীওই ১০ পোজিটিভ ওইখি অদুগা অনীশুবা ওইনা টেষ্টিং তৌখিবদা মীওই ২ পোজিটিভ ওইখি। কোরিন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ডাইনামো দ্রেসদেননা অহানবা ওইনা হেন্দওভরগা মেটচ শান্নরবা মতুং মে ২৪ দা গ্রিয়ুথর ফ্রুইদগা সিজন মখা চখরকপগী অনীশুবা মেটচ ওইনা থেংগদবনি।

জর্ম্মন ফুটবোল লীগকী ৱাঙলোয় অমনা হায়, ডাইনামো দ্রেসদেননা হিরম অসিগী মতাং দংা জর্ম্মন ফুটবোল লীগতা খঙহলকখ্রে। লোয়ননা চায়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ক্লব অসিগী প্লানশিং অদুবু কুপ্পা খৎন্নরবা মতুং দা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎক্কনি।

জর্ম্মন ফুটবোল লীগনা লীগ মখা চখরবা মতমদসু মথৌতাবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক পায়খৎক্কদবনি। অমসুং মীপূম খুদিংমক্কা মশা মশাগী থৌদাং খঙনা লৌমিনশি হায়খি।

জর্ম্মনগী মকোক থোংবা লীগ বন্দসলিগাদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বায়র্নমুনিকনা খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা বুরুসিয়া দোর্দমুর্নদগী পোইন্ট ৪ হেন্দুনা লীগকী মকোক থোংবা মফম কনলি অমদি বন্দসলিগানা টিলিভিজন মনিদা মাঙগদবা য়ুরো মিলিয়ন ৩০০বু লীগ অসিগী লেমহৌরিবা রাউন্দ ৯ মপুং ফানা লোয়শিন্দুনা শেনফমশিং অসি কনবা পাল্লি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি বন্দস লীগাগী ২৫ শুবা রাউন্দ লোয়খিবা ফাওবদা বায়ন মুনির্কনা পোইন্ট ৫৫ ফঙদুনা অহানবা, বরুসিয়া দোর্টমুননা পোইন্ট ৫১ ফঙদুনা অনীশুবা, আর বি লেটজিগনা পোইন্ট ৫০ ফঙদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈদুনা টাইতলগী লমজেল তান্নরি অদুগা বোরুসিয়া মোনচেং লাদ বেচনা পোইন্ট ৪৯ ফঙদুনা মরিশুবা, বায়র দিবরহুসেননা পোইন্ট ৪৭ ফঙদুনা মঙশুবা, এফ সি সলকেনা পোইন্ট ৩৭ ফঙদুনা তরুকশুবা, ৱল্ফবকগনা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা তরেৎশুবা, এস সি ফ্রেবক্টনা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা নিপালশুবা, হোফেনহায়ননা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা মপলশুবা, এফ সি কোলোগনিনা পোইন্ট ৩২ ফঙদুনা তরাশুবা মফমদা লৈরি।

অদুগা এফ সি য়ুনিয়ন বার্লিননা পোইন্ট ৩০ ফঙদুনা তরামথোইশুবা, ফ্রাঙ্ক্ফুটনা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরানিথোইশুবা, হর্থা বার্লিননা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরাহুমদোইশুবা, এফ সি অক্সব্রগনা পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা তরামরিশুবা, এফ সি মেন্সনা পোইন্ট ২৬ ফঙদুনা তরামঙশশুবা, ফোর্টুনা দুসেল দ্রোফনা পোইন্ট ২২ ফঙদুনা ১৬ শুবা, ৱাদর ব্রমন্টনা পোইন্ট ১৮ ফঙদুনা ১৭ শুবা অমদি এফ সি পাদরবোননা পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা লীগকী ১৮ শুবা মফমদা লৈরি।

## য়ুরোপিয়ান এঠলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপকী মতম লেপখ্রে

EUROPEAN ATHLETICS CHAMPIONSHIPS PARIS2020

লন্দন, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

৩৬শুবা ইদিসনগী য়ুরোপিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী সেদ্যুল মথং চহগী মার্চ ৫ দগী ৭ ফাওবা পোলেন্দগী সিটি টোরুনদা পাঙথোক্লগনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট ৫ মার্চ ৪ দা পাঙথোক্কনি। ইভেন্ট অসিদগী ক্বালিফাইদ ওইরকপা এঠলেটশিংনা নুমিৎ হুম্নি পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেলস ইভেন্টশিংদা শরুক য়ারগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা নুমিৎতা নুপীগী সোট পুট ফাইনেলশিং অমসুং নুপীগী মিটর ৩০০০ গী লমজেল পাঙথোক্কনি। অনীশুবা নুমিৎতা নুপা অমসুং নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেল পাঙথোক্কনি মসিগী মতুংদা নুপাগী মিটর ৬০গী লমজেল পাঙথোক্কনি হায়রি।

য়ুরোপিয়ান এঠলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা নুপীগী ৪X৪০০ মিটর ফাইনেল অমসুং মিটর ৮০০ গী ফাইনেলগা লোয়ননা নুপীগী মিটর ৬০গী ফাইনেল ইভেন্টশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# হোক্কি ইন্দিয়ানা কোচশিংগীদমক নিংথৌকাবা নুমিৎতগী লেভেল ৱান কোচিং পাঙথোক্লকগনি

HOCKEY INDIA

ন্যু দিল্লি, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

মালেমগী হোক্কি মশান্নগী গভর্ণিং বেদি ওইরিবা ইন্টরনেস্নেল হোক্কি ফেদরেসন(এফ আই ঐচ) কা খূৎশম্নদুনা হোক্কি ইন্দিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ইন্দিয়ান কোচশিংগীদমক লেভেল ৱান কোচিং কোস প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি।

ওনলাইন সেসন অসি ইন্টরনেস্নেল হোক্কি ফেদরেসনগী এডুকেটরনা কন্দক তৌগনি। অমসুং হোক্কি ইন্দিয়া লেভেল টু কোচ সার্টিফিকেট পায়রবশিংনা কোর্স অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা হোক্কি ইন্দিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হায়,থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা এফ আই ঐচ একাদেমি-হোক্কি ইন্দিয়া কোচিং এডুকেসন পার্টৱে লেভেল ৱান কোচিং কোস অসিগীদমক পূন্না কেন্দিদেট ৯ ইনরোল তৌরকখ্রে। কেন্দিদেট খুদিংমক্কী মতাংদা কূপ্না য়েংশিনল্লবা মতুংদা কোস অসি লোয়রবা মতুংদা এফ আই ঐচ লেভেল ৱান্ কোস সাটিফিকেট পীগনি হায়খি।

এফ আই ঐচকী হেদ ওফ মেম্বরসিপ, এজুকেসন অমদি দিভলপমেন্ট মাইক জোইসনা হায়, হোক্কি ইন্দিয়া এজুকেসন পার্টৱে কোচিং কোর্সগী ষ্টেন্দর অসি য়াম্না থাক ৱাংই। করিগুম্বা ওনলাইনগী খুৎথাংদা পাঙথোকপা য়ারবদি এফ আই ঐচ একাদেমি লেভেল ৱান কোচিং কোস অসি থেংথদবনা অফবা ওইগনি।

ইন্টরনেস্নেল হোক্কি ফেদরেসন না হোক্কী মশান্নগী মাকোক থোংবা লৈবাকশিংনা মশান্না অসিগী এরিয়া খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিনবা মথৌ তায়, এজুকেসন অসি হোক্কি ফোর লাইফ অমদি গ্লোভেল দিভল্পমেন্ট প্রোগ্রামগী য়ুম্বী মখোং মরি লৈবগী মনুংদা অমনি হায়খি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মোহমদ মুস্তাক অহমদনা ইন্দিয়ান কোচশিংনা লোকদাউন মনুংদা মখোয়গী স্কিলশিং হেনগৎহনবা ঙমগনি থাজরদুনা হায়, এফ আই ঐচ একাদেমি- হোক্কি ইন্দিয়া কোচিং এজুকেসন পার্টৱে লেভেল ৱান ক্োচিং কোর্স ওন লাইন অসিদগী ফঙলকপা গ্যান লৌশিং না ইন্দিয়ান কোচশিংনা শান্নবুংদা থোক্তুনা মসিগী কান্নবা শোয়দনমক্ক ফঙদুনা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

পনবা য়াই মদুদি ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোক্কি প্লেয়রশিংসু কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা থল্লিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা ত্রেন্নিং চখবা য়াদনা লাক্লি অদুমকপু হোক্কি ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী পাঙথোক্কদবা ওনলাইন বেসিক কোচিং কোসতা শরুক য়ারগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

হায়রিবা বেদিক কোস অদুদা ইন্দিয়া সেনিয়র মেনগী শান্নরোই ৩২ অমসুং ৱুমেন সেনির্য়রগী শান্নরোই ২৩না মে ১১ দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওনলাইন বেসিক কোর্স অদুদা শরুক য়াগনি। ইন্দির্য়াগী ৱুমেন'স টিমগী কেপ্তেন ওইরিবী রানি রামপলাদি হান্নসু মমাঙদা হোক্কি ইন্দিয়ান কোচিং এজুকেসন পার্টৱেদা শরুক য়াদুনা হোক্কি ইন্দিয়া লেভেল ৱান কোর্স সার্টিফিকেট ফঙখ্রবনি।

হোক্কি ইন্দিয়া লেভেল বেসিক কোচিং কোর্স মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা তুংদা পাঙথোক্লকদবা হোক্কি ইন্দিয়া লেভেল ৱান কোচিং কোসতা শরুক য়াবগী অয়াবা পীরি। পাঙথোক্কদৌরিবা কোর্স অসি ২০১৯ দা লোঞ্জ তৌখিবা হোক্কি ইন্দিয়া কোচিং এজুকেসন পার্টৱে প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইরি।

# বিসিকটাসকী শান্নরোই অমদি ষ্টাফ মেম্বর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

অনকারা, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

টর্কিগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা সুপর লীগতা শরুক য়াবা টিম বিসিকটাসকী শান্নরোই অমা অমদি ষ্টাফ অমা পূন্না মেম্বর অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ক্লব অসিনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

সুপর লীগকী মকোক থোংবা মফম কনলিবা ট্রাপজোনস্পোর, দিফেন্দিং চেম্পিয়ন গ্লাটসারে, ফেনরবসি অমদি বিসিকটাস হায়রিবা ক্লবশিং অসি লৈবাক অদুগী ফুটবোলগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা টর্কিস ফুটবোল ফেদরেসনগী পাউতাক মতুংইন্না গ্রুপ মচা মচা খায়দোক্তুনা চায়োল অসিদগী ত্রেন্নিং সেসন হৌখ্রবনি লোয়ননা নুমিৎ হুমনিগী মমাঙদা হৌখিবা মার্চ থাদগী মখা চখবা ঙমদনা লৈরকপা সুপর লীগ জুন থাদগী হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

বেসিকটাসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ফেদরেসনগী পাউতাক মতুংইন্না টিমগী শান্নরোই অমদি ষ্টাফ খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্টিং তৌবদা শান্নরোই অমদি ষ্টাফ অমা পোজিটিভ ওইরে। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি হেলঠ ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং মখাদা লায়েং চখবা হৌখ্রে হায়খি।

অদুমকপু ক্লব অসিনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মমিং মথা অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ফেনরবাসিগী ষ্টাফ মেম্বর অমসু পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। মখোয়গী ত্রেন্নিং সেন্টর মতম খরাগী ওইনা কেন্সেল তৌবা য়াম্না লৈরি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা টর্কিগী দোমেষ্টিক সোক্কর লীগ পূম্নমক থা ৩ শান্নবা লেপ্পুরবা মতুংদা জুন ১২ তগী মীয়াম য়াউহন্দনা মখা চখরগনি হায়না টর্কিস ফুটবোল ফেদরেসনগী চিয়রমেন মীহাট ওসদিমিরনা য়ুমজাকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনসু ওগষ্ট থাগী অরোয়বা শরুক্তা য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন লীগকী ফাইনেলগীদমক য়ুম্বু ওইনবা শেম শাবা লোয়রে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনসু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা থম্লম্বা লোকদাউন মফম খরাদা কোমথোকখিবা লৈখ্রে।

## সেম্যুল উমটিটি ত্রেন্নিং দা খুবোম শোকখ্রে

বার্সেলোনা, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

স্পেনগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা লালিগাদা শান্নবা বার্সেলোনাগী দিফেন্দর সেম্যুল উমটিটি ইন্দিভিজ্যুয়েল ত্রেন্নিং চখবদা খুবোমদা শোক্লে হায়না স্পেনিসকী ক্লব অসিনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা ফ্রান্স ইন্টরনেস্নেল সেন্টর বেক অসি হৌখিবা সিজনদা মহাক্কী মখূ অমসুং মখোংদা শোকপদগী ফগৎলক্তুনা ইন্দিভিজ ্যুয়েল ত্রেন্নিং সেসনদা হালকখিবনি।

স্পেনদা সোক্করগা মরীলৈন্নবা ইভেন্ট পূম্নমক কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাক্লি। লোয়ননা লীগ অসিবু শীনলি লাঙলিবশিংনা জুন থাদগী সিজন মখা চখনবা পান্দম থল্লি । অদুমকপু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা মতম হায়বা ঙমদ্রি।

লীগ অসিদা শরুক য়রিবা ক্লবশিংগী শান্নরোই খুদিংমক গ্রুপ মচা মচা খায়দোক্তুনা ইন্দিভিজ্যুয়েল ত্রেন্নিং চখবা হৌখ্রে। মসিগী মতুং তারকপা খোঙথাং ওইনা সিজন মখা চখদ্রিঙৈদা টিমশিংগী ফুল ত্রেন্নিং সেসন পাঙথোক্কদৌরি। নীংশিংবা য়াই মদুদি লীগ অসিগী মেটচ ১১ শান্নগদবা ৱাংলিঙৈ ফাওবা বার্সেলোনানা খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদগী পোইন্ট ২ হেলদুনা মকোক থোংবা মফমদা লৈরি লোয়ননা ক্লব অনী অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ইন্দিভিজ্যুয়েল ত্রেন্নিং চখবা হৌরগনি হায়রি।

## স্লোচ অমদি বাট্রে বিসোপ মায় পাকখ্রে

মিনস্ক, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

বেলারসকী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা বাইসয়া লিগাগী ৯ শুবা রাউন্দ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা স্লোচনা বেলসিনাবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা স্লোচকী গোলশিং অদু য়ানুসকিবিকনা মিনিট ৩৪ অমদি য়ান্সনেনা মিনিট ৫২ দা চনখি। মায়থিরবা বেলসিনাগী গোল অদুনা পাপুসনা অউল গোল মিনিট ৮৫ তা চনখি। অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা বিটিবেক্স অমদি সেরিগ্লোস গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা বাট্রে বিসোপনা স্লোমিবিচিবু গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি।

# স্পিন্টর দুটি চান্দ মহাক্কী পোক্লফম চকা গুপালপুরগী মীয়ামদা চান্না থক্লবা মতেং পাঙখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯ লাইচৎপু শন্দোকপা থিংনবা থল্লিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস পার্সনশিংনা মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা লেপ্পা লৈত্তনা মতেং পাঙন্নরি। ঙসিসু ইন্দিয়ানগী মমিং লৈরবা স্পিন্টর দুটি চান্দনা ভুবনেশ্বরদগী কিলোমিটর ৭০ লাপ্পা লৈবা মহাক্কী পোক্লফমদা চৎতুনা চান্না থক্লবগী পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে। দুটিনা মরিলৈন্নবশিংদগী তোঙানবা পাস লৌদুনা মহাক্কী মহিন্দ্র এক্স য়ু ভিদা ওড়িষাগী জয়পুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মহাক্কী পোক্লফম ওইরিবা চকা গুপালপুরগী খুঙ্গং অদুদা চৎখিবনি।

চকা গুপালপুরদগী হলক্লগা দুটি চান্দনা এজেন্সি অসিদা হায়, লোকদাউন অসিনা ঐগী খুঙ্গং অদুগী মীওই কয়াদা চৈথেং পীরি। অমসুং ঐহাক্কী অঙম্বা থাক্তা মখোয়বু মতেং পাঙবা পামখি। মসিমক্লা ঐগী খুঙ্গং অদু য়ৌনবা হোৎনবদা মরিলৈনবশিংদগী পার্স লৌদুনা মফম অদু য়ৌনবা চৎখিবনি। ঐগী খুঙ্গং অদুদা মীওই লিশিং ১০০০ হেনবদা চান্না থক্লবা মতেং পোৎলমশিং মতেং পাঙখি। ঐগী ইমুং মনুং অমদি ঐহাক্লা খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংদা ঐ লাকপগী পাউ পীখি। অদুগা মীয়াম্না য়ূমদা লাক্লবা মতুংদা চান্না থক্লবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবনি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা স্পিন্টর অসি ভুবানেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দ্রষ্ট্রিয়েল টেক্নলোজি (কে আই আই টি)দা ভিজিনেস এডমিষ্ট্রেসন দীগ্রি তল্লিবনি।

দুটিনা মখা তানা হায়, ঐহাক্লা অমুক হন্না মফম অদুদদা চৎলগা চান্না থক্লবা য়েন্থোকপা পাল্লি। খুঙ্গং অদুদা চাউরাক্লা মীওই লিশিং ৫ হেন্না খুন্দারী অমসুং মথংগী চৎপাদদি চান্না থক্লবা পেকেট লিশিং ২ হেন্না পুগনি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐহাক্লা কে আই আই টিগী ফাউন্দর ওইবতা নৎতনা বি জে দি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টসু ওইরিবা অচ্যুতা সমন্তদা মতেং পাঙবিনবা হায়জখি অমদি অহানবা খোঙথাংগী ওইনা ঐহাক্কী পোকেটতগী লুপা লিশিং ৫০ পুথোকখি অদুগা অতোপ্পা শেনফমশিং অদুনা মহাক্লা এরেঞ্জ তৌবিদুনা অহানবা খোঙথাং অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি।

স্পিন্টর দুটি অসি টোকিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইদ্রি। মহাক্লা শরুক য়াগদবা ক্বালিফিকেসন প্রোসেস অদু ৱার্ল্ড এঠলেটিক্লা চহী অসিগী লোয়শিনলকপদা য়েথোকখিবদগী মতম খরা ঙায়বা তারি। মহাক্লা হৌখিবা মার্চ থাদা পাটিয়ালাদা চৎতুনা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি সেরিজতা ওলেম্পিক ক্বালিফাইদ ওইনবা হোৎনখি অদুবু মালেমগী ওইনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইভেন্ট অদু সপেন্দ তৌখি।

দুটি চান্দনা মখা তানা হায়, খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংনা হরাওবা উবদা নুংঙাইবা পোকই। মফম অদুগী অহল ওইরবশিংনা ওলেম্পিক্তা মেদল লৌরক্লবগী য়াইফা মঙ্গোল পীরকখি। পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি শেল লৈবগী ৱাফম নত্তে। হেন্না মরুওইরিবদি ঐহাক্লা মপুং ফাবা মীওই ওইরবকন্দা ঐগী পোক্লফম মীয়ামবু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙবা অসিদা ঐহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইনসু অপেনবা পোকই হায়খি।

এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্তুনা লৈরিবা সিজনগী কেলেন্দর সেপ্তেম্বর থাদগী হৌরনবা পান্দম থল্লি। মসিদসু দুটিনা কম্পিটিসন পূম্নমক শরুক য়াগনি হায়খি। অদুমকপু চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা নেস্নেল ইভেন্টশিং ওলেম্পিক ক্বালিফাইর ওইরোই।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কে আই আই টি কেম্পস মনুংদা ট্রেক লৈরি মদু ঐহাক্লা শীজিন্নরি অদুমকপু ফুল ষ্টিমদা ত্রেন্নিং তৌদে। কম্পিটিসন লৈত্তবনা ত্রেন্নিং কন্না তৌদবনি অদুমকপু ঐহাক্কী হকশেন ফিট ওইনা লৈনহন্দুনা লাক্কদৌরিবা ইভেন্টশিংগী রেদিদা লৈবা পাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

লুহোং-মচল
SANSUI 32" LED (SMART K)
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
SANSUI 7.2 KG WASHER
₹ 29,990/-
ORIENT IRON FREE
SANSUI 32" LED TV
GODREJ 180 LTR. REFRI
SANSUI 6.5 KG WASHER
₹ 25,500/-
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 32" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
GODREJ / SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 33,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43" SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com